# ওর্গানিক ফার্মিংগী মতমদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিং -২

ডো. ৱাইখোম জিতেন



ভর্মিকম্পোষ্ট :- ওর্গানিক ফার্মিংগী মতমদা ঐখোয়না থারিবা পাম্বীশিংবু মচিঞ্জাক পীবা য়াবা পোৎলমশিংগী মনুংদা তিম্ব্লোক য়োক্তুনা পুথোকপা হার ভর্মিকম্পোষ্টসু অমনি। লৌউ-শিংউবগী শিনফমদগী পুথোরক্লিবা অরেম্বা পোৎচাকনি হায়না লৌনরিবা শা-ষণগী মথি-ময়ুং/পাম্বীশিংদগী ঐখোয়না পাল্লিবা পোৎলমশিং লৌথোকখ্রগা লেমহৌবা পোৎলমশিংবু তিম্ব্লোক্তা পীজদুনা হার ওন্থোকপগী থৌওং অসিবু ভর্মিকম্পোষ্টজিং কৌই। লৌউ-শিংউবদগী থোরক্লিবা কান্নদ্রবা পোৎলমনি হায়না লৌনরিবা পোৎলমশিংবু খ্বাইদগী থুনা হার ওন্থোকপা ঙম্বা জীবশিংগী মনুংদা তিম্ব্লোকসু অমনি।

তিম্ব্লোকশিংদা চেনগদবা মগুন :- হার পুথোক্লবগীদমক শীজিন্নবীগদবা তিম্ব্লোক অদু মখাগী মগুনশিং অসি য়াওবীগদবনি।

- লায়না চংগন্দবা ওইগদবনি।

- য়াম্না চাগনবগা লোয়ননা থুনা তুমগনবা ওইদুনা চাখ্রিবশিং অদুনা থুনা প্রোটিনদা ওন্থোক্তুনা থুনা চাওগনবা ওইগদবনি।

- তীল মখল অদু য়োকপদা ইরায় লায়বা তীল ওইবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা অঙ্গৈং-অশাদা লৈবা ঙম্বা ওইগদবনি।

- লৌউ-শিংউদগী থোরক্লিবা তোঙান তোঙানবা লেমহৌখাকশিং (ওর্গানিক মেট্টর) লোয়না চাবা ঙম্বা ওইগদবনি।

- তীল মখলশিং অদু মরূম য়াম্না কোক্কনবগা লোয়ননা থুনা মচা ওন্দুনা মখোয়গী মশীং থুনা হেনগৎপা ঙম্বা ওইগদবনি।

- তীল মখলশিং অদু মচা ওনবদগী মপি ফাবা ফাওবদা মতম য়াম্না চংদবগা লোয়ননা অতোপ্পা তীল মখলশিংগা লৈমিন্নবা ঙম্বা ওইগদবনি।

- তীল মখলশিং অদু লেমহৌখাকশিং অদুগী মথক থংবা লৈরোল ময়াদা চাবা ঙম্বা ওইগদবনি।

তিম্ব্লোক্কী মখলশিং :-

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চাউরাক্লা তিম্ব্লোক মখল ২৭০০ লোম ফংই। মসিগী মনুংদা ইন্দিয়াদা তিম্ব্লোক মখল ৫০০ ফংই। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা অঙ্গৈং-অশা লৈবা মফমশিংদা মপূং ওইনা ফংলিবা তিম্ব্লোক মখল অসিনা Lompito mouritii হায়বা অসিনি। অদুগা মণিপুরগী ওইনসু তিম্ব্লোক মখল অসি চাউরাক্লা ১৩গুম্বদি ফংই।

ভর্মি কম্পোজিং তৌবদা শীজিন্নবা য়াবা তিম্ব্লোকশিংগী মগুনশিং অদুদা য়েংবিরবদি ইন্দিয়াদা ফংবা Lompito mouritii অমদি Perionyx excavalus শীজিন্নবা য়াবা তিম্ব্লোক ওই। অদুবু মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না শীজিন্নরিবা তিম্ব্লোক মখলশিংদি :-

Reg wiggler (Eisenia foetids), Red worm (Lumbricus rubellus অমদি African nighl crawler (Eudrilus eageniae) নি।

ভর্মিকম্পোষ্টকী কান্নবশিং :-

ভর্মিকম্পোষ্টতা য়াওরিবা ওর্গানিক মেট্টরগী শরুকশিং অসিনা লৌফম অদুবু ফ্রোং ফ্রোং লাওহল্লি, মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক্তা য়াওফম থোকপা নুংশিৎকী শরুকশিং মরাং কায়না চংবা ঙমহল্লি।

- মখোয়দা ঈশিং চুপশিনবা ঙম্বা মচাক (ম্যুকস) কয়া অমা য়াওবনা মরম ওইদুনা অহেনবা ঈশিংশিং চুপশিল্লগা ফাজিন্দুনা থমই। অসুম্না ঈশিং চুপশিন্দুনা থম্বসিনা মফম অদু মতম কুইনা ঈনিল লৈহল্লি।

- ভর্মিকম্পোষ্টনা পাম্বীগী মচিঞ্জাক য়াওবগী চাং অসি অতৈ পাম্বী-শিংবী অমদি ষন্থি-ষণয়ুংদগী শেম্বা হারদগী ৱাংবা হেল্লি। চাংচত্তা ভর্মিকম্পোষ্টতা নাইত্রোজেন চাদা ৩, ফোসফরস চাদা ১ অমদি পোটাশ চাদা ১.৫ য়াওই। মসিদা পঞ্জরিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসি নত্তবা অতোপ্পা পাম্বীগী মচিঞ্জাশিংসু মখল শুনা য়াওই।

ভর্মিকম্পোষ্ট অসি পাম্বীবু কান্নবা পীবা ঙম্বা অহিংবা জীব (মাইক্রো ওর্গানিজম) কয়াগী লৈবদা নুংঙাইবা মফম অমা ওইবনা মরম ওইদুনা নুংশিত্তা য়াওবা নাইট্রোজেনবু ফাজিন্দুনা পাম্বীদা কান্নবা পীবা ঙম্বা জীবশিংগী মশীং হেনগৎহনবদা মতেং পাংই।

ভর্মিকম্পোষ্টতা ভি এ এম হায়না খঙনবা অহিংবা জীব মখল অমা চাং য়াম্না য়াওরকপনা মরম ওইদুনা পাম্বীশিংদা ফোসফরস অমদি অতৈ অতোপ্পা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং ফংহনবদসু মতেং পাংই। ভি এ এম হায়রিবা জীব মখল অসিগী মসা-মরেংশিং অদুনা পাম্বীগী মরানা য়ৌবা ঙমদবা মফম ফাওবা চৎতুনা ঈশিং অমসুং পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং ৱাৎপদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। ভি এ এম হায়রিবা জীব মখল অসি ভর্মিকম্পোষ্টতা থা ১১ রোমদি হিংদুনা লৈবা ঙমই।

ভর্মিকম্পোষ্টতা তিম্ব্লোক অমদি অতৈ অতোপ্পা অহিংবা জীব (মাইক্রো ওর্গানিজম) শিংনা থাদোরকপা পাম্বীদু চাওখৎহনবা ঙম্বা পোৎচাক (গ্রোথ প্রোমোটর) কয়া অমা য়াওবনা মরম ওইদুনা পাম্বীশিংবু থুনা চাওহনবদা মতেং পাংই।

ভর্মিকম্পোষ্টনা অতোপ্পা পাম্বী-শিংবী/শা-ষণগী মথি-ময়ুংদগী শেম্বা হারশিংদগী হেন্না থুনা পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীবা ঙমই।

ভর্মিকম্পোষ্ট শীজিন্নবনা পাম্বীদা কান্নবা পীবা ঙম্বা জীবশিং (মাইক্রো ওর্গানিজম) গী মশীং হেনগৎহন্দুনা পাম্বীদা লায়না থোকহনবা ঙম্বা জীবশিংগী মশীং হন্থহল্লি অমদি লৌফম অদুদা থাবা পাম্বীশিংদা লায়না তাবগী চাং হন্থহল্লি।



ভর্মিকম্পোষ্টখক নত্তনা ভর্মি ৱাশ হায়রগা খঙনবা ভর্মি কম্পোষ্টিং তৌবদা ফংবা মহী অসিসু পাম্বীশিংবু চাওখৎহন্নবগী মচাক অমা ওইনা শীজিন্নবা য়াই। ভর্মি ৱাশ লিটর ১০ ঈশিং লিটর ১০০দা য়ানবীরগা মনা-মশিং অমদি অতোপ্পা মহৈ মরোংশিংদা অনীরক নৎত্রগা অহুম্লক কাপ্পীরবদি খূৎশেমগী ওইবা পাম্বী চাওখৎহন্নবা পোৎলমশিং (গ্রোথ প্রোমোটর) শীজিন্নবগী মথৌ তাদে।

অসুম্না ওর্গানিক ফার্মিং মায়কৈদা চংশিন্নবগীদমক পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইবা য়াবা পোৎলমশিং অসি পুথোক্লবা অমদি শীজিন্নবীনবা পূন্না হোৎনমিন্নবগী মতম অদু য়ৌরে। ওর্গানিক ফার্মিং তৌবীগনি হায়রগা অসিগুম্বা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসি পুথোকপা অমদি শীজিন্নবদা পূক্নিং থৌগৎপীদ্রবদি পান্দম অদু ফংবা শুকঙম ঙল্লোই।

মরম অসিনা ওর্গানিক ফার্মিংগী মায়কৈদা লাকপা য়ানবগীদমক তোঙান তোঙানবা ওর্গানিক ফার্মিংদা শীজিন্নবা য়াবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং পুথোকপদা মায় ওনশিল্লসি।

# ফৌ, ঙা অমসুং হঙ্গামগী অওন পোত্থা পাঙথোক্তুনা লৌবুকশিংবু চহী চূপ্পা হাঙহন্দবা

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ



হৌজিক্কী মতমদা লৌখক্তমক উদুনা শেন্দাল লম্বী ওইবা য়ারক্তে। মীশিং য়াম-খৎলকপনা মরম ওইদুনা পোত্থোকসু হেনগৎহন্দবা য়ারক্তে। লৌমীশিংনা অনৌ-অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নদুনা পোত্থোক হেনগৎহনবদা নত্তনা শেন্থোকসু হেনগৎহনবা মথৌ তারক্লে। মসিদসু নত্তনা ঐখোয়গী লৈজরিবা লৌবুকশিং অসি মফম হাঙহন্দনা সিঙ্গল ক্রোপিংদগী দবল ক্রোপিং অমসুং মল্টিপল ক্রোপিংনচিংবা তৌদুনা পোত্থোক মরাং কায়না, শেন্দোং লৈনা পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরক্লে।

মণিপুরদা অঙনফৌ থাবগী চাং অসি অসুম অসুম হন্থরক্লিবগী মরুওইবা মরমশিংদি চানবা মখলগী ফৌ মখল ফংদবা, ফৌনা মুনশিল্লকপা মতমদা নোং কন্না চুবা অমদি তুথদুনা ফৌ ময়োল চোংবা, চহী অমদা ফৌ অমুক্তং থাবনা অনীরক থাবদগী চাথোক হেনবা, ইরিগেসন ফজনা লৈতবা, লোক্তাক হাইদ্রেল প্রোজেক্টনা মরম ওইদুনা লোক্তাক অমদি অতোপ্পা পাৎ কয়া পাকথোরক্তুনা লৌ উবা য়াবা মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখিবা অমদি লৌবুক কয়া ঙায়োক পুখ্রি ওন্থোকখিবা অসিনচিংবনি।

মণিপুরদা লৈরিবা অথেনবা পাৎ ময়াদা লৌউ-শিংউবগী থবক অসি ঈশিং ঈচাওগী মখা পোনবা মরম্না লৌমীশিংদা নীংহন্নবা হেক হেক লাকহল্লি। মমাঙঙৈগী মতমদদি মীশিংসু য়াম্লমদে, লমসু মরাং কায়না লৈরম্বা মরম্না লৌউ অমুক্তং উনরম্মী অমদি করিগুম্বা নোং মরাং কায়না চুদবা চহীদা অমুক্তং উরিবা লৌ অদু ফাওবা লোকপা নিংথিনা ফংদবা অমসুং লৌফম অদু চহী চূপ্পা হাংদুনা লৈবা ফাওবা য়াওরম্মী। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্কী মতমদদি লৌখক্তমক উরগা লৈরম্বা, লৌফম অদুদা ঙাসু য়োকপা অমদি অতোপ্পা পোত্থোক লৈবা হায়বদি হঙ্গামগুম্বসু থাদুনা চহী অমদা পোত্থোক অহুম্লক ফংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে। অসুম্না তৌদুনা শেন্দোং লৈনা অমদি পোত্থোকসু মরাং কায়না ফংগদবা থৌওংশিং পায়খৎপগী মতম ওইরক্লে।

মতাং অসিদা পাঙথোকপা য়াবা থৌওং অমদি অঙনফৌ লোকখ্রবা মতুংদা ঙা থাদদুনা ঙা য়োকপা অমদি ঙা ফাদোকখ্রবা মতুংদা ফৌ থাদ্রিঙৈদা হঙ্গাম অমুক হুন্দুনা ত্রিপল ক্রোপিং তৌবীবা অসিনি। হায়রিবা থৌওং অসিদা ফৌ থাবখক্তা নত্তনা হঙ্গাম হুনবা অমসুং ঙা য়োকপসু পাঙথোক্তুনা লৌফম অমদগী পোত্থোক হেন্না পুথোকপা নত্তনা শেল হেন্না ফংবা ঙমহল্লি। থৌওং অসিদা য়োকপা য়াবা ঙাশিংদি নাপীচাবী, সিলভর কার্প, রৌ, ম্রিগল, পুকলাওবী অসিনচিংবনি। থৌওং অসিদা খরা হেন্না চান্নবা ফৌ হায়রগনা মপান্দগী পুশিল্লকপা হায়ব্রিদ ফৌ মখলশিংনি।

করিগুম্বা লৌফম অমদা ঙা য়োকপগা, ফৌ থাবগা পাঙথোকপীগে হায়রবদি ঙা ফাদোকখ্রবা মতুংদা হান্না শেমদুনা লৈরবা লৌহোনশিং শীজিন্নদুনা এস আর আই হায়রগা খঙনবা সিটস ওফ রাইস ইনটেসিফিকেসনগী থৌওং শীজিন্নদুনা ফৌ অমুক থাবিবা য়াই। হায়রিবা থৌওং অসিদদি লৌ খোইদ্রবসু য়ারে অমদি হারসু হাপ্পীদবা য়ারে। শুপ্নতগী লৌফম শেম্বীরগা লৌহোনশিং পাম্বী অমমমদা ওইনা থাবিবা য়ারে। ঙা য়োক্লম্বা পুখ্রিদা ঙাগী মথি, লেমহৌবা মচিঞ্জাক অমদি পত্থ-পুমথরকপা পোৎশকশিং অয়াম্বা তুংদুনা লৈবা মরম্না ফৌ পাম্বীগীদমক্তা অসুক্কী মতিক কান্নবা পী। হায়রিবা থৌওং অসি এস আর আইগী থৌওংশিংদা ফৌ থাবনা য়াম্না হেন্না পাম্নে অমদি লৌ লোকখ্রবা মতুংদা ঙা অমুক য়োকপদসু খুদোংচাবা য়াম্না হেল্লি।

করিগুম্বা হঙ্গাম হুনবীগে হায়রবদি নবেম্বর থাগী অরোইবা চয়োলদগী দিসেম্বর থাগী অহানবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা হুনবীবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ অমদি অঙনফৌ থানবগীদমক্তসু খুদোংচাবা হেল্লি। ঙা ফার্ম মনুংদদি মফমদু অমুক খোইদোকপগী মথৌ তাদে। ঙা ফানবগীদমক্তা ঈশিং শিৎতোকখিবদগী খরা খরা কংলকপা, চোৎলি-চোৎলি তৌরিঙ মতমদা হঙ্গাম মরূ হুনবীবা য়ারে।



অঙনফৌ লৌউ-পথাপ অসি পাঙথোকপদা শেন্দোং য়াম্না লৈতবা অমদি খূৎশুমলনা অসুম অসুম ৱাংখৎলকপা মরমশিং অসি লৈবনা অয়াম্বা লৌমীশিংনা অঙনফৌ হায়বদি অহানবা লৌরোক অসি উবদা থৱায় য়াওনরক্তবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি। তৌইগুম্বসুং মথক্তা পনখ্রিবা থৌওং অসি চত্থবিরবদি লৌমী কয়াগী পূক্নিং চিংশিনবা ঙমগনি। ঐখোয়গী মরুওইবা চিঞ্জাক অসি চাকনা ওইবনিনা লৌ-উবা হায়বসিসু পাঙথোক্ত্রবা য়াদ্রবা থৌওং অমনি। ঙা য়োকপনা শেন্দোং লৈবা হেল্লি হায়দুনা লৌ উনবা লৌবুকশিংবু ঙায়োক পুখ্রিশিং ওন্থোকপা কয়া থেংনরি অমদি মসিনা মরম ওইদুনা লৌ উনবগী লৌফমশিং হন্থরকপা অমদি ফৌগী পোত্থোক হন্থরক্লবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি।

ফৌ, ঙা অমসুং হঙ্গামগী অওন পোত্থা পাঙথোকপদা শেল চংবগী চাং হন্থহল্লি, পোত্থোক হেনগৎহল্লি, মীওই কয়াবু শিনফম পীবা ঙমহল্লি অমদি মফম অমত্তদগী পোত্থোক কয়া পুথোক্তুনা মফম অদুবু চহী চূপ্পা হাংহন্দনা শীজিন্নবগী খুদোংচাবসু পীরি। ●

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/4529/25oct.to23nov.

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
CRASH COURSE 2020
For NEET (Medical) Aspirants
Class commencement from:- 16th March 2020
SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS
- Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X (Current year 2018) (Limited seats)
- Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X (Current year 2018) Through Screening Test.
- Special concessions for all COMET School students (Limited seats)
Prospectus and Admission form available from : 20/01/2020
FIRST COME FIRST SERVE
For details plz. contact COMET office, Kelshamthong Top Leirak Maning Near, Airport Road Imphal
HL-B/6069/20,22,24,26,28

INDIAN INSTITUTE OF BANKING AND INFORMATION TECHNOLOGY (IIBIT)
Kakching Paji Leikai, Ayangbung, Near Axis Bank
GSTIN : 18AAFF01723H17K Branch Code : IIBIT06684
Vacancy in India's top leading Pvt. Bank for the following position:-
1. **CSD :** Customer Service Officer for Female Graduate Candidate.
2. **Phone Banking Executive :** Graduate with Fluent in Hindi & English (Male/Female) both can apply.
3. **Branch Executive :** Any Graduate with age below 32 yrs.
4. **Loan Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
5. **Loan Development Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
6. **Operation Department :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
7. **Processing Executive :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
8. **Senior Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
9. **Sales Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
10. Free 3 months Computer Course.
11. 3 Months English and Hindi Course.
12. **BRE/BRM :** 10+2 can apply with Fluent both English & Hindi.
N.B. BRE (Branch Relationship Executive) & BRM (Business Relationship Management)
Please visit to the IIBIT Office Kakching
Please Contact : IIBIT, Kakching Branch
# +91 8837318822, +91 8575836481, +91 8014066918
HL-B/6062/15/2-20/3

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।